# অদুফাও ফজে

## শেন্নি-শেন্নগা য়োংদি মালহল্লক্কনু

জুন ১৪, ২০২৫দা পুলিসনা হায়রকখিবদুবু করিনেবা? দিপার্টমেন্টসিগী এদিশনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) অমনা ফাওবা মচিন্না ফোঙদোকপনি হায়বা ভিদিও ক্লিপ অমসু সোশল মীদিয়াদা থেংনখি। অইবা চেরোল ওইনসু মণিপুর পুলিস হেদ-ক্বার্টরস (পি ঐচ ক্যু) দগী দি জি পিনা থোরকখি। অদুগা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম্না জুন ১৩ অমসুং ১৪গী লোন্নবা অহিংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ ৩২৮, নোংমৈশিংসিগী য়াম্লবা মেগজিনশিং, মরূশিং অমসুং বোমশিং রিকোভর তৌরে হায়রকখিবা ওইরমান্নে। য়াম্লবা নোংমৈশিংসি তম্পাক্কী করম-করম্বা মফমশিংদগী কয়াম-কয়াম ফংলকখিবনো হায়বগী অকুপ্পা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিদে। অদুগা ‘শিজ’ তৌরে হায়বগী মহুত্তা ‘রিকোভর’ তৌরে হায়রকপনিনা য়াম্লবা নোংমৈ অমসুং মরূ অমদি বোমশিং অসিগা কোন্নবা মীওইশিং ফারমগদবা মান্দে। ফারেসু হায়রক্তে। খূৎশু-খূৎলায়শিংসি কনাদগী রিকোভর তৌবনো হায়বসু ফোঙদোরকখিদে। থৌদোকসিগী অকূপ্পা ৱারোল ‘দিটেলস’ গী মতাংদা মন্থিনবগী ৱাফম নত্তে। শুম্নমক্তবু ঈং-চিকপা অমসুং নুংশি চান্নবা পামজবা ‘পীস লভর’ ওইজবা মীয়াম্না লৈরিবা মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দগী অসুক য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে হায়রকপদা মীগী মমাঙদা ইকায়-শঙ্গোই হাংবগী ৱানি। তশেংনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চৎনহল্লক্লিবা ‘অন-লোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ পি এ) গী মখাদা অথিংবা থল্লক্লিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশনশিংদগী ফাগৎপা ওইরম্লবদি য়ুনিয়ন লৈঙাকপু য়ানীংদবা অমসুং মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্পগী খোঙফম অসিফাও য়ৌরবোইরে হায়রম্বা য়াবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মসিমক্তি থোক্ত্রিবনিনা তাবা, উবা অমসুং অখঙবশিংগী মরক্তগী জাৎ-জাৎকী ৱাহংশিং হংনরকপা হৌরে। অদুবু ৱাহংশিংসি ফোংনা অমসুং মপান থোক্লা হংলকপা ঙম্বা মীওই য়াওরক্কদবা মান্দে। নোংমৈ, মরূ অমসুং বোমশিংগী মতাংদবু কনানা তুকা থিদুনা পেৎ-পেৎ হংলক্কদোইনো? নাতে চাদবা!! রিকোভর তৌরে’দং হায়রগা মখা তারক্ত্রিবসি থৌরাং-থৌশিল (পোলিসি-প্রোগ্রাম) অমগী মখাদা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগনা ইকায়বদগী মখা শমথরক্তবা ওইরম্বসু য়ারিপোৎনি। মরমদি অজয় কুমার ভল্লানা গভর্ণর ওইরকপদগী চীং অমসুং তমদা লৈবা ‘ইল্লিগেল ৱেপনশিং’ সরেন্দর তৌরকউ হায়না অনীরক আপীল তৌখ্রবনি। অহানবা আপীলদা চোন্নপ পীখৎনরকখি। অদুবু লুট তৌখিবা মশীং য়ৌনা শুদবদগী অমুক হন্না আপীল তৌখি। খরগা অমুক থিনগৎনরকখি। অদুবু অহিং অমদা য়ামখ্রবা খূৎশু-খূৎলায়শিংসি রিকোভর তৌরে হায়রল্লবনিনা ৱাৎহৌবা অমসুং চিত্থ-নান্থহৌবশিং শোয়দনা ওইরমগদোইনি।

ওইনীংবা ওইসনু। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লানসি লেপহন্দুনা লোইশিনহল্লগা ঈং-তপ্পা, মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবা পান্বৈশিংগী মনুংদা লান শোক্লরিবা নাকল অনীদগী খূৎশু-খূৎলায়শিং খোমগৎপা, মখোয়বু ‘দিসআমর্দ’ তৌহনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরূ ওই। থবকসি হান্না তৌগদবনি হায়বা চুমখ্রবা ৱাফমসি হায়দবা য়াওখিদ্রবনি। নাকল অনীনা য়াপঙনদা ওইরবসু চোংশিন্দুনা চিল্লগে হায়বগীদি খঙদ্রে। মখোয়-মখোয়গী মখূৎতগী মী শিবা য়াবা খূৎশু-খূৎলায়শিং লৌখৎতুনা/লৌথোক্তুনা পায়হন্দবা হায়বসিদি মখা তানা লান থোকহন্দবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। নহান মখৈ ঙমদবদগী হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা মতুংসিদা খরা-খরা ঙম্লক্লে হায়দুনা লৌবা ফাওবদি য়ারক্লে। মখা-তানসু ঙম্লকখিবা ওইরসনু। অদুবু নোংমৈ রিকোভর তৌবা খক্কী নত্তনা লিশাং শিৎলক্লিবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা মতম চূপ্পগী ওইনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহন্দুনা লৈহল্লগে হায়রবদি ‘য়োংলৈ-মেল্লৈ নাইদবা’ হায়বসিমদি স্বাইদা লৈরিবা গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, কম্মিস্নর (হোম) অমসুং দি জি পিনচিংবদগী হৌরগা লৈঙাক্কিনি হায়বা খোঙবি-খোঙনাও পূন্নমক্না য়াম্না মুন্না খঙগদবনি। মখোয়সি খক্তা নত্তনা চাউবদগীসু চাউবা, ঙমসু ঙম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরী লৈনবা খো-খোপ্পা পূন্নমক্নসু খঙজিনগদবনি। ৱাফমসি হায়-হায়দুনা তম্পাক্কী মফমশিংদগী য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌরে হায়রকপদা খোইদৌশিক্তুনা থিৎলকপগী ৱাফম নত্তে। লান তৌদ্রগবু নোংমৈ অমসুং বোমশিং অসিনা কৈদৌদোইনো? সেল্ফ লোদিং রাইফল, ইন্সাস রাইফলস অমসুং এ কে সিরিজগী নোংমৈশিংসিবু কাং কাপ্লবা অমসুং হৈনৌ কক্লবা থমজিনখিগদ্রা হায়বনিদা!! তম্পাক্তগীনা ইল্লিগেল আর্মস এন্দ এম্যুনিশনশিংনি হায়দুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফাওবা তকথহল্লক্তুনা খোমগৎপা অদুগা চীংগীনা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন্স’ (সূ) তৌনবা কাঙবুনা পায়জবনি হায়রল্লবদি ৱা য়াম্নরক্কনি হায়বনি। চোন্নপ-চোন্নপ থিনগৎনরকপদগী হেন্দোরক্তুনা বোরা-বোরা রিকোভর তৌরে হায়রক্লিবসি অমুক লৌখিগে হায়রক্কদ্রা হায়বনি। নত্তে, ঙাইখোনে, হৌজিকপু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীবু মণিপুরগী লানসি তশেংনমক লোইশিন-খমজিলহল্লগে হায়দুনবু চপ-য়ুংবা অচেৎপা খোঙফমদা লেপ্লব্রা হায়না হংবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি হায়বনি। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্লোন চলাইরকপদগী খূৎ ওইনা লোকপা খুল্লোকপিগুম্বা থৌদোকশিং ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু মে ২০, ২০২৫দা গ্বালতাবীদা ‘মণিপুর’ থারগা চৎপা য়ারোই হায়দুনা থিংলকখ্রিবদুদং পল্লগে!! থৌদোক্তু ফোং-ফোং শারিবনিনা নখোয়না লান লোইশিন্নবনেনা নোংমৈ ময়াম রিকোভর তৌরে হায়রিবসিনা পুমচুম চুম্বা ওইরম্লবা ফাওবদা মীয়াম্নদি থাজদ্রে। হৈ-শিংলবা নখোয়গী অনৌবা ‘দ্রামা’ গী অহানবা সিন ওইরমগদবোইদা নীংই হায়বনি। অদুবু শেমজিন শাজিনবা ওইগেরা, অশেংবা-অচুম্বা ওইরমগেরা ওইনীংবা’মা ওইজখ্রবা ফাওবদা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি, ঈং-তপ্পা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্লবা থবক থৌরমনি হায়দুনবুদি লৌরগে। অদুবু শেন্ন-শেন্নগা য়োং মাল্লকপা, খল্ল-খল্লগা কোইজোম্বা ওক্লবা, শেন্বীগে-শেন্বীগেনা মখোঙ খরা ককথৎ, মখূৎ খরা ককথৎ তৌবগী ফীভমদুদি ওইহল্লক্লনু হায়বনি। মীঙমদবা, মথৌনা-মরিংজেল মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদবশিংদা খুবি শিন্নরুবদগী শলাক শাবগী ৱানি। মথংদা চোংখৎলকপা মীহুৎশিংদি কম্মায় তৌগে হায়বদু য়েংমিন্নখিসি!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৬৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লোইবী চীঙলেল শামা খুলগী মচাগা। হেমবা নুংকাচা কৌবগা। চীঙলেল চীঙশাং নাপোম অমদা থেংন উনরে। পাথৌ ও হায়না মিংকৌনবদি। তাতাতৌ ও কৌয়ে। হেমবা নুংকাচাগা। লোইবী শামা খুলচাগা অনীমকনা। পাওহং ৱাহংনখিয়ে। তাতাতৌ। নঙদি কনানো। হেমবা ঐদি নুংকাচানে। তাতাতৌ নঙদি কনানো। ঐদি লোইবী শামা খুলচানে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯶꯷)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯢꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯣꯢꯕꯤ ꯆꯤꯡꯂꯦꯜ ꯁꯥꯃꯥ ꯈꯨꯜꯒꯤ ꯃꯆꯥꯒꯥ॥ ꯍꯦꯝꯕ ꯅꯨꯡꯀꯥꯆꯥ ꯀꯧꯕꯒꯥ॥ ꯆꯤꯡꯂꯦꯜ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯅꯥꯄꯣꯝ ꯑꯃꯗꯥ ꯊꯦꯡꯅ ꯎꯅꯔꯦ॥ ꯄꯥꯊꯧ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯕꯗꯤ॥ ꯇꯥꯇꯥꯇꯧ ꯑꯣ ꯀꯧꯌꯦ॥ ꯍꯦꯝꯕ ꯅꯨꯡꯀꯥꯆꯥꯒꯥ॥ ꯂꯣꯢꯕꯤ ꯁꯥꯃꯥ ꯈꯨꯜꯆꯥꯒꯥ ꯑꯅꯤꯃꯛꯅꯥ॥ ꯄꯥꯎꯍꯪ ꯋꯥꯍꯪꯅꯈꯤꯌꯦ॥ ꯇꯥꯇꯥꯇꯧ॥ ꯅꯪꯗꯤ ꯀꯅꯥꯅꯣ॥ ꯍꯦꯝꯕ ꯑꯩꯗꯤ ꯅꯨꯡꯀꯥꯆꯥꯅꯦ॥ ꯇꯥꯇꯥꯇꯧ ꯅꯪꯗꯤ ꯀꯅꯥꯅꯣ॥ ꯑꯩꯗꯤ ꯂꯣꯢꯕꯤ ꯁꯥꯃꯥ ꯈꯨꯜꯆꯥꯅꯦ॥ ●

# এরোপ্লেন তোংবগী খোঙচৎতা!



### হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৫৮

### জিতেন নামৈরাকপম

গুজরাটকী অহমেদবাদ এরোপ্লেন ক্রাশকী থৌদোক্তা পেসেঞ্জর অমখক নত্তনা পাইলোট অনী, ক্রু মেম্বর তরা লোয়ননা পেসেঞ্জর পূন্নমক, পূন্না মীওই ২৪০গী মথক্তা শিখিবদা মণিপুরী মচা অনী য়াওখিবশিংদা কন্দোলেন্স পীবদা আর্টিকল অসিগী অহানবা ৱাহৌদোক ওইজগে।

মণিপুরী মীতৈ চনু থৌবালদগী ঙাম্থোই অমদি মণিপুরী কুকি চনুরা কাংপোকপীদগী লামনুন্থেম 

সিংসন, মতম অমদা ‘এয়র হোষ্টেজ’ কৌরম্বা হৌজিকপুদি ‘ফ্লাইট এটেন্দেন্ট’ নৎত্রগা ‘কেবিন ক্রু’ হায়না জেন্দর ন্যুত্রেল টর্ম ওইনা কৌনরবা মখোয় অনীনা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা য়াওখিবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মখোয় অনীগী থৱায় মীরেলনা পূন্না অমত্তা ওইনা চৎমিন্নখ্রবসু মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা কুকি মীতৈগী লানগী ৱারোইশিন অমা পুরকপদি ঙমদ্রি। মখোয় অনীনা পূন্না হৌনদুনা চৎমিন্নখিবা অসিনা কুকি মীতৈগী খঙহৌদনা থোকখিবা লান অসিদা পাউখোঙ অমদি চল্লন্লে হায়না লৌবা য়াই। মীনা মীবু নুংশি হৈতনা হাৎপা-তুপ্পা, য়ূম মৈ থাদোকপা, মশাগী পোকফম লৈফমদগী নমদুনা তান্থোকপীবা, মীনা মীবু অৱাফমদা তাহনবীবগী কান্নবা করিনো? ঐখোয় পূন্নমক নোংমদি শোয়দনা শিগদবা পূন্সিনি। নোংমদি শোয়দনা মপুগী লৈকোলদা তিনখ্রগদবা, নঙনা হাৎলুদ্রগসু শিখিগদবা মীওই মপোকপু হাথু-হাথু নংহৌররোই হায়বগী মতাগুম হাৎনীংলিবা করিগীনো? হাৎন-শুনবা তোক্লো। অমগা অমগা অৱা-অনা মতেং পাংনদুনা নুংশিননা লৈমিন্নরো, শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়বগী পাউজেল পীরল্লগা চৎমিন্নখিবা ওইরমগনি। মসিবু লান পাম্বা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদি ৱাখল খন্থবা ঙম্লমগদ্রা? মীতৈগী ওসনদি থৌবালদা মখোয় অনীগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা, কেন্দল লাইট থান্দুনা মীয়াম হুপ্পা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি এরোপ্লেন তোংবকাইসিসু কিবা ফাওবা জাৎনি। এরোপ্লেন ক্রাশপু তৌরবা মদুদা তোংলিবা মী অমত্তা হিংবগী ৱাদি লৈত্রে। নোংথক্তা পাইবা এরোপ্লেননা থাও, গেসোলিন য়াওদ্রে হায়দুনা খাল্লগা থাও হানফম লৈতে। নোংথক্তা এরোপ্লেন খাম্বা য়াবসু নত্তে। সর্ফেসতা চেনবা গাড়ীবুদি থাও য়াওদ্রে হায়দুনা হানবা য়াই। য়াদ্রে শেম্বা য়াই। অহমেদবাদ প্লেন ক্রাশ টেক্নিকেল ফেলররা, হ্যুমেন ইররর, ইঞ্জিন অনী পানবদু করম্না অনীমক য়াখিদবা ওইরিদ্রা হায়বা হৌজিক ফাওবা মথোং মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু করিদি পাম্বৈ লৈ। এরোপ্লেন কায়খ্রে, পূন্নমক শিখ্রে। অমখক হিংহৌখি। সিট নম্বর ১১এ, এয়র ইন্দিয়া ১৭১ তোংখিবা রামেশ বিশ্বাশকুমারখক ব্রোকন ইমর্জেন্সি এগজিটতগী চোংথোক্তুনা হিংহৌখি, লাইবক ফবনি। শিরগদবদগী যমনা নঙগী মতম ৱাৎলি, মথক্তা কারকখিনু হায়না আ মথক্তগী ইন্থরকপগা চপ মান্নে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু হোস্পিটালদা চৎতুনা য়েংশিনবা, অনাবা হংবা চৎলুবদা রামেশ বিশ্বাশকুমারনা হায়খি- I realised. I was alive!

মণিপুরদা লোইশিন্দ্রিবা কুকি-মীতৈগী লান অসিগী হায়রুবগদি চিন্দা পেন্দবা, শাউনীংবদগী হায়জবগী ৱানি মীতৈনা কুকি, কুকিনা মীতৈ তুম্না হাৎপা ঙমগদবা নত্তে। নহান্দি কেবিন ক্রু মীতৈ কুকি চনুরা অনী পূন্না থৱায় থাদোক্তুনা চৎমিন্নখ্রে। কেবিন ক্রুগী মথৌদি প্রি-ফ্লাইট হায়বদি এরোপ্লেন পাইদ্রিঙৈদা চ্যেক তৌবা, পেসেঞ্জরশিংবু অশোয়-অঙাম য়েংশিনবীবা, সেফটি দেমোন্সত্রেশন (বেল্ট ফাবা, গ্যেস মাস্ক উপ্পনচিংবা) তৌবা, ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স অদুগা পেসেঞ্জরশিংদা অচা-অথক মথৌ তাবা পোৎলম ফংহনবনচিংবা থবকশিং অসিনি। এরোপ্লেন মনুংদা য়োল্লিবা অচা-অথকশিং মমলদি শাথীনা তাঙই। কোফি কপ অমগী মমল লুপা ২০০দা থকপা য়াওখ্রে। হৌজিক্লা অমুক মমল হেনগৎলম্বসু য়ারি। ফ্রীদা থকপা য়াবা হায়ববু ঈশিং মঙাইরে। ঈশিং খৌরাংলগদি এয়র হোষ্টেজ কৌরগা হঞ্জিন-হঞ্জিন ২/৩লক থকপা ফংই। জেট এয়রৱেজ পাইরিঙৈগী মতমদদি হঙ্গামপাল মচুগী ওলিভ শেপকী ত্রে মচাদা কেক, লদু, অথুম-অহাও পেক তৌরগা ফ্রীদা পেসেঞ্জর খুদিংদা য়েল্লন্মী। মদুদা য়েল্লকপা ত্রে মচাশিংদু নীংশিং খুদম ওইনবা থমজবা ত্রে ৩/৪ লৈজরি।

এয়র হোষ্টেজ/কেবিন ক্রুমশক মতৌ ফজবা, চুং-ফিরাল চাবা, ফিজিকেল্লি সাউন্দ ওইবা, মেন্টেল হেল্থ ওইবা, প্রজেন্স ওফ মাইন্দ লৈবা, মশাদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদবা ঙাক্তা ইন্টরভিয়ু টেষ্ট ফজনা তৌরগা খনখিবা মক্তনি। এরোপ্লেন তোংলুবা খুদিংদা মশক থীবা এয়র হোষ্টেজ অমত্তা থেংনরকখিদ্রি। মখোয়গী মোমোন মীনোক, মীয়োক-মীচান ফজবা, পেসেঞ্জরশিংবু তরাম্না ওকপা, এরোপ্লেনদগী কুমথরমদাইদনা মোমোন মীনোক্না লোয়ননা কায়নবতনা মখোয়গী মথৌনি। লৈখিদ্রবী মণিপুরী চনুরা অনী অদু ওন্থোক্না পাম্মুখ্রে। ঈশ্বরনা মখোয় অনীগী থৱায় নমদুনা মুল্লগা পুবিখ্রে। অদুবু মখোয় অনীনা পূন্না চৎমিন্নখিবা অসিগী মতুংদগীদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাইনা শান্তি লৈনা পানবা ওইরসনু।

এরোপ্লেন তোংবা নুংঙাইখ্রবা থবক্নি। থবকমক্তি নত্তে। ঙক য়ৌনা পুথবী মোনমোন লাউবা সিটতুন্দা ফল্লগা উইরিঙৈ/তুল্লিঙৈ মনুংদা ওইরবসু য়ৌনীংলিবা দেষ্টিনেশন অদু থুনা য়াঙনা য়ৌবা ঙল্লিবনি। ইম্ফালদগী ন্যু দেল্লী তান্না বস, ত্রেন তোংদুনা চৎপদা নুমিৎ ৩/৪নি চঙবদু শুপ্নতগী পুং ৫ খক্তদা য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। ঙসি অয়ূক্তগী বস তোংলগা হয়েং নোংঙাল্লমদাইদা গুৱাহাটি, ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস, গারচুক এরিয়াদা লৈবদা য়ৌবদু এরোপ্লেন তোংদুনা চৎপদা শুপ্নতগী (ইম্ফাল থাদোরকপদা) মিনট ৪০/৪৫ খক চঙলিবনি। চপ মান্নে সিলচরগী কুম্ভিগ্রাম এয়রপোর্টতগী ইম্ফাল য়ৌরকপদা মীথাই অমা উম্বদা লোইবা নংদে। অসুক্কী মতিক থুনা য়ৌই। অদুবু নোংমদি সিলচরগী কুম্ভিগ্রাম এয়রপোর্টতগী পাইরকপা প্লেন ইমান্নবা অমগা তোংদুনা হনমিন্নখিবা থৌদোক অমদা কেবিন ক্রুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মিনট ৩গী মনুংদা তারগনি হায়না লাউথোকখ্রগা মিনট ৭ হেল্লবা ফাওবা শুংতা তাদ্রে। ঐখোয় পেসেঞ্জর মশেল পাখৎনবা হৌরক্লে। এরোপ্লেনদুগী থোঙনাউদগী য়েংথোকখিবদা মণিপুরগী চীংশাং পরেং, চীংদোনশিং, ইম্ফাল ভেল্লি ইগলস আই ভিয়ুদা উখিবদু তপ্না তপ্না অমুক উবা ফংখিদে। নেমথরল্লবা এরোপ্লেন অমুক ৱাংনা পাইখৎখ্রগা সুম পাইদুনা লৈরে। ময়ামসি পাখৎখিদুনা লাই শোন্নবসু য়াওরে। ঙসাই ইম্ফালদা তারগনি লাউথোকখিবা অদুসু তূমিন্না লৈখ্রে। হায়দি হায়দোক্তনা ঐখোয়সু চিন্দা মুরুম-মুরুম শোন্নে- “টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈরবা জাৎলা, ঙসিসিবু ঐখোয়গী নুমিৎ তারবা জাৎলা! মসিদবু হেক কায়রবা ঐখোয়গী হকচাং মচেৎ অমফাও ফংগদবা মান্দ্রে। অসুম্না এরোপ্লেনদুনা ৱাংখৎনা উরু উরু লৈদুনা পাইরল্লগা খঙহৌদনা নেমথরক্তুনা গদ্রক লাউনা লৈমাইদা থেংলগা রন-ৱেদা হেক চেনবা হৌরকপখক্তদা মীহুন চেঙ্গুম-চেঙ্গানরম্বগা লোয়না হন্থখ্রগা শ্বর শাংনা হোতে দাকখি। মিনট ১০ মুক চোন্থরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংখি।

ঐখোয় মীওইবনা কয়া নীংশিংগন্দবা, কাউথোক্লবদি শিবা হায়বা ৱাহৈ অসিনি। তৌবগীবুদি শিবা সুম নীংশিংদুনা লৈরগদি থবক তৌবা, চৎথোক-চৎশিন অমত্তা ঙম্লরোই। শিবগী হায়রুরবদি তূম্না-তূম্না মঙলাক্লবদগী হার্ট ফেল ওইবদগীসু শি। হৌনা ফাক-ফাক.... হা-হা-হা হায়না নোক্লম্বদগী হন্থরকউ য়াদনা অদুম শিবসু য়াওখ্রে। গাড়ী এক্সিদেন্ট মশীং খঙদনা থোকপদগী মণিপুরদা কুমজা ২০২১দা মীওই ১১০ অদুগা ২০২২দনা মীওই ১২৭ শিখি।

এরোপ্লেন পাইবা, তোংবদা কিবা মীবু Flight phobia, Aveo phobia, Aero phobia, Flying phobia নৎত্রগা Pateromer anophobia কৌই। ইশামক্তি এরিও ফোবিয়া ওইবা মীওইমক্তি নত্তে। এরোপ্লেনগী ৱাসিদি তোংজরগে সিতনি। গুৱাহাটিগী লোক প্রিয়া গোপিনাথ ব্রোদোলোই এয়রপোর্ট, কোলকতাগী নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোস ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা কয়ারক তারুরে। কোলকটা এয়রপোর্টকী য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওইবা অমনা প্লেন তোংগদবা পুঙ্খায়মুক্তা ঙাইরক্লবদা প্লেটফোর্ম হোংদোক হোংজিন, ফ্লাইট নম্বর হোংবগী কোইচেন চেন্নবা অদুনি। ইম্ফালদগী দেল্লী তান্না ইন্দিরা গান্ধী এয়রপোর্টতা থুংবদা পুং ৫ খক চঙববুদি গুৱাহাটিদগী রাজধানি এক্সপ্রেস ত্রেন তোংদুনা পুং ২৭/২৮ চঙনা লৌবুক লম্ফাং, খুঙ্গং, টাউন মচা মচাশিং ফাওদুনা চৎপগী নুংঙাইবদু ফংবা নত্তে। ত্রেনগী থোঙনাওদগী য়েংথোকখিবদা লৌবুক লম্ফাং, পাথী কোমথী, পাৎ-তুরেল, তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিং, য়ূম-কৈগী শক্তম, অমুক্তা উখিদ্রিবা শক্তম কয়া পূন্সিগী কাউঙল্লরোইদবা মহাও অমনি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১০৭

### ৱাখল ইহুল

### সোরাম ইবোহল লুৱাং

খুদম, য়াম্না শম্না, মৈদিংঙু খাগেম্বগী মথক্তা লান্তানবা মনাও ইবুংঙো অতোনবা শানোংবনা ময়াং/থোংনাং কছার নিংথৌ প্রাথাফিনানদা লান মতেং পাংবীনবা নেকপদা, ময়াং/থোংনাং নিংথৌ মতোমতনা ঙম্লোইদৌবদুগী খল্লগা তরফ লৈবাক্কী নিংথৌ মহমদ নাজিরিদা লান মতেং পাংবীনবা হায়বদা য়াবদগী লান শোক্লরবা মতুংদা থোংনাং (ময়াং) গী লানচিংবা য়াখারেক অমসুং ভিমবন অনীনা মায়থীরনি খনবদগী য়াঙ্গোই মপান্দা লৌশিং তৌরগা, তরফ লৈবাক্কী নিংথৌ মহমদ নাজিরিনা মহাক্কী মনাওনুপা থোকপা মহমদ সানি নৱাবপু লানচিংপুরেল ওইনা থারকপবু, থাদোক্লল্লগা চেনখিবদুনা মরম ওইরগা ময়াং মিনম্বা মখোয়গী মশুংলাংগীদমক অরেম্বদা থৱায় মাঙবা পাম্মুবদগী মহমদ সানি নৱাবনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মফমদা লানচিংপুরেন ওইরিবা মহাক্লা পুরকপা/লোয়নরকপা মখল খুদিংমক্কা লোয়ননা লোই হাদুনা কৎলম্মী। তশেংনা হায়বা তারবদি মৈদিংঙু খাগেম্বা য়েক্লবগী মখূৎতা তাদুনা থৱায় মাঙলমগদবদগী লাইরিকয়েংবম জগৎ (ধনঞ্জয়-মীরোলদি ওইবা) না নিংথৌগী থৱায় কল্লকখিবদুদা পেনমনখিবদগী লৈবাক মীয়ামগী মমাঙদা নোংশাগুম মথৌনা লৈবা নুপানি হায়দুনা “নোংশামৈ মিংথোন” পীখিরম্মী।

য়াঙ্গোইগী লানদা ফারকপা মুস্লমান লানফাশিংবু মশা মশানা হৈনজরকপা শিনফমদা মথৌ শূহনবগা লোয়ননা মীতৈ নিঙোলশিং পীদুনা য়ূম্নাক শাগৈসু য়েম্থোক্তুনা খুন্তা লৈতাহনবা মতমদা মহমদ সানি লানচিংপুরেনবু মখোয় পূম্বগী লুচিংবা খুনলাকপা ওইনা হাপ্পীরম্মী। মতুং তারকপা চাতোন-শুতোন্না কাউদনবা মুস্লমান লানফাশিংদা মীতৈ চনু নিঙোল পীদুনা খুন্তা লৈতাহল্লগা পোক্লকপা মচা মশুগী মরমদা ইবা লাইরিক অদুগী মমিং মথক্কীদা পনখিবা নোংশামৈগী মমিং লৌরগা “নোংশামৈ পুয়া’ হায়না থোল্লন্মী।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা খাগি অমদি অৱাগী ৱাফমশিং পল্লম্বগী মতাংদি - খৃ: ১৬৪৮ (শকাব্দ ১৫৭০) দা খাগিনা লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মথক্তা লান্তারকপদা মচা ইবুংঙো মুংয়াম্বা (মুংয়াম্বসি লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মনাও ইবুংঙো য়াইমা খুরাই লাকপা চীংশোম্বনা পোকপা মচা ইবুংঙোনি) না লানচিংলেন ওইদুনা অকনবা লান শোক্লবদা মায় পাকপগা লোয়ননা খাগি লানফা ময়াম অমা ফাদুনা পুরক্লম্মী। লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচানবগীদমক খাগি লানফা ময়াম অদু লৈবাক তৌহন্দুনা শেমখিবা লম্বী অদু ‘খাগি পানলি’ হায়না কৌরম্বদগী ‘খাগেম পনলি’ হায়না কৌনখিবদু হৌজিক ফাওবা কৌনরি।

অদুগা খৃ: ১৬৫১ (শকাব্দ ১৫৭৩) দা অৱাগী অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমনা কংলৈপাক্তা লান্তারকপদু লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মচা ইবুংঙোশিংনা মথৌনা লৈনা, য়াম্না হৈশিংনা লাম্থেংনদুনা অৱাবু মায়থীবা পীবদা লাইয়িংথৌ য়াম্না পেঞ্জরম্মী।

মথক্কী খাগি অমদি অৱাগী মতাংসি চৈথারোল কুম্বাবদদি য়াম্না তেন্না পন্দুনা য়াওরম্মী। মপূং ফাবা ৱাৎলি।

মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা (খৃ: ১৬৫২-৬৬) কী সনা হাক্তক্তা লোলয়ান অমত্তা লৈতে হায়বদি মীতোপ অমত্তা চঙলকখিবা লৈতে। মীরম লাইগী মহুৎতা মপা ইবুংঙো মৈদিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা লাৎলম্বা ইমোইনু অহোং অচাউবী লাইরেম্বীবু মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা লৈবাক শিন্থুংনা লাৎচবদগী কংলৈপাক চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, শেনহোন য়ূমহোংদুনা পোইরৈ লৈবাক নুংঙাই য়াইফনা খুঞ্জাও লৈচাওরে হায়দুনা ‘থাঙতা খোইনাই শেনহোংবা’ কৌরম্বদগী পোইরৈ ‘খুঞ্জাওবা’ হায়না কৌখিবগী ৱারী লিখুন ময়েক শেংনা লৈ।

মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃ: ১৬৬৬-৯৭) না পানবা খৃ: ১৬৭১ শজিফু থাদা কবোদগী শগোল লোৎ (রথ) অমা থোল্লক্লম্মী। শজিফু থা অসিমক্তদা মোগোল চেক শাবা মচিল মনাওগা কোনোক তানয়ৈবা (পুঙ য়ৈবা) অমগনা আরবি শগোল অমা পুরগা থোল্লকখি।

মসিবু চৈথারোল কুম্বাবদনা হৈস্নাম তেনবগী কুম শোক ১৫৯৩/শজিবু থাদা কবোদগী লোৎ (রথ/কাং) শগোল পানবা থোরকএ। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৬গী ৱাহং**

১) “মীতৈ লাইরহনবগী লম য়ানবা” হায়বা ৱারেং অসি কনানা ইবা করম্বা ৱারেংগী লাইরিক্তা য়াওবগে?
২) “ৱারীনি অদু নোং” হায়বা লাইরিক অসিগী এদিটর কনানো?
৩) “শৈরেংগা মথোৎ কারকপশিংগা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৪) “মচু মচুগী লৈরাং” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) “স্নেহলতা” হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৪,৫)
***২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)***
৩) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২,৩,৫)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১৫গী ৱিন্নর*

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১১৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১১৫গী পাউখুম**

১) “ঐহাক কালেন ছুটি লোইবা ফাওবা য়ূমদা লৈগে খনবনি অদুবু মশক উদবা থম্মোয়দতা ফাওবা ৱাখল অমনা চিংদুনা পুবদগী...।”
ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - মেদাম (অরোইবা শরুক), অইবা-মৈনম ভরত সিংহ, সেকেন্দ পব্লিশ-** ২০২৪ এপ্রিল।
২) “চৈনা য়াওদবা চৈফু” হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু অদুগা অইবনা কনানো ইয়ু। **:- অইবা-হাওবম সত্যবতি দেবী, লাইরিক্কী মমিং-মহাক্তুবু ৱারৌরমগদ্রা, ফর্ষ্ট পব্লিশ-নবেম্বর** ২০২৩।
৩) “কম লেট অজ সোল্ব দি রিদলস ওফ লাইফ” হায়বা মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল মণিপুরীদু করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং-পূন্সিগী পাউখোং ফোংলসি লাও, ত্রান্সলেটর-কাঙজম রাধাকুমার, ওরিজিনেল রাইটর-ওইনাম কুবের, ফর্ষ্ট এদিশন-জুন** ২০২৪।
৪) “নশুংলাংগী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা-লনচেনবা মীতৈ, লাইরিক্কী মখল-ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা-খৃষ্ট কুম** ২০২৪।
৫) “লৈকংলাগী নোঙ্গৌবী” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? **:- অইবা-বিজেন্দ্রজিৎ তেলেম, লাইরিক্কী মখল-শৈরেং, ফর্ষ্ট এদিশন-**২০২২।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।